# নেচরেল অমদি নন-নেচরেল অনীসিগী কান্নবা

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

**শান্নরোয়** অমদি চুম্নগী হকচাং ফনা লৈজনীংবা মীওই কয়ানা তত্তনা হংলকপা ৰাহং খরগী মনুংদা তান্নবা য়াবা ৰাহং খরদি নেচরেল অমদি নন-নেচরেল হায়বসি করিনো অদুগা অনীসিগী কান্নবা অমদি মাঙজবনা করিনো হায়বসিনি। ইরমদমগী অমদি ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমদি মীচম কয়া অমদি অনী অসিগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবশিং অসিবু খঙদবনা নেচরেল হায়বা ৰাহৈসি তাবদা মখোয়দা য়াম্না অঙকপা অমা পোকপগুমসু তৌরি অদুগা খঙনীংবগুমসু তৌরি।


চাওখৎলবা লৈবাক কয়া হায়বদি অমেরিকা, কনাদা, য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিং, ওষ্ট্রেলিয়া ন্যুজিলেন্দনচিংবা মফমশিংদদি মসিগী খেন্নবশিং অসি মরীক চুম্না, ময়েক শেংনা খঙনৈ অদুনা মখোয় মশা মশাগী অপান্বগী মতুং ইন্না নেচরেলদা চৎলি নৎত্রগা নন-নেচরেলগী লম্বীদা চৎলি। মসিগী খেন্নবশিং অসি খঙবা মরম্ননি হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদদি নেচরেলবু পামজবা শান্নরোয় অমদি মশা মউ, হকচাং ফনা লৈনীংবা মীওইশিংগী মশীং নোংমা নোংমগী অসুম হেনগৎলক্লিবা লোয়নন্না নেচরেল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসনগী মশীংসু লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা। হায়রিবা নেচরেল ফেদরেসনশিং অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী লীরবা অমদি চাউবা লৈবাকশিং য়াম্না য়াওবা ফেদরেসন হায়রগদি INBA PNBA (Headquarte Corona, California, since 1988) না ওইরি। শক্লপ্পা মরুওইবা ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ খরগী মমিং পল্লবদা Asia Pacific International, Brisbane International, World Cup, Mr. World, Natural Universe, Natural Olympia অসিনি। মসি নত্তবা ইন্টরনেসনলগী এথলেটশিংনা য়াওবা য়াবা অমেরিকান, য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ কয়া অমসু লৈরি।

নেচরেল হায়বসি করিনো, কদাইবু কৌবগে, করম্না নেচরেলগী ওইগনি অমদি করম্না নেচরেল নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা য়াওবা য়াগদগে, করম্না এথলেট অমবু নেচরেলনি নৎত্রগা নন-নেচরেলনি হায়না খঙবা ঙমগদৌরিবনো হায়বনচিংবা মথং মথং নৈনসি। অহানবদা নেচরেল হায়রগদি কনাগুম্বা শান্নরোয় অমনা হকচাংদা শোক্কদবা পোৎলমশিং হায়বদি ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিগী WADA (World Anti-Doping Agency) না চাবা থকপা য়াদে হায়না থিংলবা ষ্টেরোইদ অমদি অতোপ্পা পার্ফোমেন্স এনহেন্সিং দ্রগনচিংবা শীজিন্নদনা শান্নজবা শান্নরোয়শিং অদুবুনি। হায়রিবা WADA না থিংলিবা পোৎলমশিং অসিবু শীজিন্নদুনা WADA গী মায়োক্তা চৎলিবা মীওইশিং, শান্নরোয়শিং অসিবুনা নন-নেচরেল হায়না খঙনৈ।

নন-নেচরেল ওইবা শান্নরোয়শিংগী দাইটতদি অথিংবা লৈতনা অদুম মখোয়না পামজবা শীজিন্ননীংবা পোৎলমশিং - ষ্টেরোইদস, হোর্মোন্স, ময়াই কাবা দ্রগস নৎত্রগা এনি এলিগেল সবষ্টেন্সশিং অদুম শীজিন্নবা য়ারে। অদুবু কনাগুম্বা নেচরেলবু পামজবা, কুইনা মশা মউ শেংনা, ফনা লৈজনীংবা, হিংজনীংবা কাঙবুগীদি হায়রিবা মথক্কী WADA না থিংলবা পোৎলমশিং অসি চাদনা শান্নগদবনি অমদি চেম্পিয়নশিপশিংদা থোক্কদবনি।

করিগীদমক্তা হায়রিবা মথক্কী পোৎলমশিং অসিবু থিংলিবনো হায়রগদি হায়রিবা পোৎলমশিং অসিনা ঐখোয়গী হকচাংদা অফবা পীবদগী ফত্তবা পীবা, হকচাংদা শোকহনবগী মরমননি। মসি মেন্টেল এন্দ ফিজিকেল হেলথ, পার্ফোমেন্সনচিংবগী মতাংদা খঙ হৈরবা সাইন্টিষ্ট অমদি মেদিকেল রিছার্সর কয়ানা পোৎলমশিং অসিগী অফ ফত্ত নৈনরবা মতুংদা লেপখিবা ঙাক্তনি। মসিদা ঐখোয়না অমুক য়েৎলুবগী করিসু কান্নবা লৈরোই, মতম মাঙদুনা তোক্কনি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি ফত্তে, হকচাং শোকই খঙলবদি করিগী শান্নরোয় কয়া অমনা লেপ্তুনা, অকিবা লৈতনা, করিসু নাচুংবিদনা শীজিন্নরিবা হায়বা ৰাহং কয়া অমা হংনদবসু নত্তে।

শান্নরোয় খুদিংমক মায় পাকপা পাম্মী, মমিং লৈবা শান্নরোয় ওইবা পাম্মী, টাইটলস, এৱার্দস অমদি শেল থুমগী মনা ফংনীংই অমদি অতোপ্পনা ইকায়খুম্নবিবা পাম্মী। অদুবু হায়রিবা অপাম্বশিং অসি ফংনবগীদমক মকোক মথং থোংবা হায়বসি য়াওদবা য়াদে। মকোক থোংবগী অপাম্বা অসিনা হেনমনখিদুনা হকচাং শোকপগী অকিবা, মীপাইবা অমদি ইমুং মনুং অমদি মরুপ মপাংগী নুংশিবা ফাওবা তুংওইননা থম্বা ঙম্লক্তুনা হায়রিবা চাহৈদবা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবা হৌরকই। হৌবু হৌখ্রবদি লমখাংদা লেপ্পসিদি অরাইবা ওইদে। ফত্তে, চাহৈদে হায়বা খঙনা খঙনা মখোয় মখা তানা শীজিন্নগনি, মখা তানা চাথগনি। অহানবা মনা ফংলে হায়দুনা চাহৈদবা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবা তোক্লবদি ফগদবা, থোইদোক্লা অকিবা লাক্ত্রিঙৈদা তোকহৌবা য়াবা। অদুবু মহাক্কী মিংথোলদু অমুক মখা তানা থম্বা ঙম্নবা হোৎনবদা মহাক্লা শীজিন্নখিবা চাহৈদবা পোৎলমশিং অদু অদুম শীজিন্নবা তাবনি।









অহানবা মনা ফংবা, মকোক মথং ওইবা ঙমবদুদি য়াম্না ফৈ, থাগৎনীংঙাইনি। লুরিবদি, অহানবা মনা অমুক ফংদুনা মহাক্কী মিংথোলদু মখা তানা থম্নবা হোৎনদবা মতম শাংনা কুইনা চাহৈদবা পোৎলমশিং শীজিন্নরকপনা হকচাং মনুংগী ওর্গান, কয়াৎ কয়াদা অকনবা শাফু পীরকপদগী লিভর, কিডনি, হার্টনচিংবগী ফঙ্কসন তৌবা ঙম্লক্তে, শম কেল্লকই, শাওগল্লি, অশাওবা ফাথবা ঙম্লক্তে, পর্সনেলিটিদা অহোংবা লাকই। মসিগী অহোংবশিং লাকপনা অতোপ্পগা অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা তোৎন-তিন্নবগী মরী ফবা ৰাৎলকই, নুপী অঙাংদা ফুবা চৈবনচিংবা হেন্না য়াওরক্তুনা খাইনবগী চাং ৰাংখৎলকই। মসি শক্লপ্পা পোৎলমশিং অসি চাবদগী ওইরকপা ফীভম খরা পঞ্জবনি। মতাংসিদা নীংশিংবা য়াবা পাউরৌ অমনা, “We are what we eat” হায়বসিনি।

মসি হায় হায়দুনা চাহৈদবা পোৎলমশিং অসিবু শীজিন্নদুনা শান্নজবা শান্নরোয় কয়ানা খোইদৌ চিক্লা শাওনীংবা য়াই, মরুওইনা শীজিন্নবদি কুইদ্রিবা, মশাগদি কন্না কনখৎলক্লিবা অদুগা মশাদদি শোকপদি হৌদ্রিবা শান্নরোয়শিং অসিনি। মখোয়দি পোৎলমশিং অসিগী ফত্তবা শাফুশিংসি ফংদ্রিবনিনা অসুম্না হায়বসি থাজদে, থাজবসু পামদে, তাসু তানীংদে মদুগী মহুত্তা অশেংবা হায়জবা ঐখোয়দদুম শাওজিনলকই। হয়েং তুংদা মশা শোক্লবা কান্দতা ও করি নুংগী শীজিন্নরুবা হায়না শোল্লকপনা অয়াম্বনি। মতাংসিদা অমুক হায়জনীংবদি খঙদবা শান্নরোয় অমদি মীওইশিংগীদমক হায়জবনি। মসি খঙনা খঙনা চাগে নৎত্রগা চারোই হায়বদুদি মী মীদুগী অপাম্বগী মখা পোল্লি।

ষ্টেরোইদস, হোর্মোন, এলিগেল ওইবা পোৎলমশিং অসিগী কান্নবসু লৈ। শক্লপ্পা হায়রবদা, মশা কনবা, মসল চাউবা য়াম্না থুই অদুগা শান্নরোয় খরা অমদি অথুবা মতম হায়বদি চহী খরগী মনুংদা মকোক মথং তাবা ঙম্মী। অদুবু মখোয় খরা খক্তনি ঙম্লিবা, অয়াম্বনদি মকোক তাবা ঙমদে মরমদি মখোয় থোরক্লিবা অতোপ্পা শান্নরোয় লোইনমক হায়রিবা পোৎলমশিং অসিবু শীজিন্নবনিনা লোইনা চাউই, কল্লি, খাইসু খাই।

নেচরেল ওইবা শান্নরোয় হায়রগদি সল্লপ্না হায়রিবা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা চাহৈদবা, WADA না বেন তৌরবা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নদুনা শান্নজবা মীওইশিং শান্নরোয়শিং অদুবুনি। নেচরেল হায় হায়দুনা মনা-মশিং খক, হৱাই-নুংৱাইখক চাগদবনি হায়বা ৰাফমদি নত্তে। নেচরেল এথলেট অমা ওইনা চাবা য়াবা সপ্লিমেন্টশিংদি creatine, glutamine, branch chain amino acid, protein powder অসিনচিংবা শীজিন্নবা য়াই। অতোপ্পা মিনরেলস, ভিটামিন্নচিংবা কয়া অমসু লৈরি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওই, খরা অমনা হকচাংনা পুথোকপা ঙমদবা মিনরেল অদুনা চাবা মরু ওই। হকচাংদা য়াওরিবা মিনরেল নৎত্রগা প্রোটিন নৎত্রগা চঙদবা য়াদ্রবা হকচাংদা মরুওইবা পোৎলমশিং অসি ঐখোয়না পাওদর অমদি টেব্লেটকী ফোর্মদা শীজিন্নবা মরুওই। শাজেল তৌবদা শীজিন্নখিবা পোৎলমশিং ঐখোয় অমুক চাশিন্দুনা মহুৎ শিনজিনবনি। মদু নৎত্রগদি শান্নবা ঙম্লোই, য়াম্না চোকথরক্কনি অমদি মসল শাবা ঙম্লোই।

নেচরেলদা নুংঙাইতবা হায়রগদি মসল শেম্বদা য়াম্না তপ্পী অমদি কুইনা চঙই। কন্না, থম্মোয় শেংনা হোৎনদবা য়াদে। খোঙথাং খুদিংমক চেকশিন্না থাংদবা য়াদে। নেচরেল ওইনা চৎপগী কান্নবা খরা হায়রগদি, হকচাং মনুং মপান অনীমক ফনা হিংহল্লি, ৰাখল ইংনা তপ্পা লৈ, নহা য়াম্না ওইথোকহল্লি, পূক্লিংদা ঐখোয়না চারিবা চিঞ্জাকশিং অসিগী অকিবা, মীপাইবা ফাওদে ফৈ খঙবনিনা। অতোপ্পগা, মরুপ মপাংশিংগা, ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা ইংনা তপ্না হিংমিন্নবদা লায়না থোকই। ময়াম্না খঙলিবদু মঙাই, য়ু থকপা য়ুঙাওবা অমগা য়ু থক্তবা মীওই অমগা করম্বনা লাইগে ৰা ঙাঙনবা অমদি লোইনবদা। ঐখোয় ঐখোয়না চারিবা চিঞ্জাক্তুনা ঐখোয়গী মুদ অমদি পর্সনেলিটিদা য়াম্না চাউবা ইথিল পী।

নেচরেল অমা ওইবা হায়বসি শান্নরোয়শিংগী খক্তা নত্তে। নেচরেল অমা ওইনা শান্নদুনা হকচাং ফনা, নাদ-য়েক্তনা, নহা ওইথোক্তুনা নুংঙাইবা পুন্সি মরেল অমা ওইনা হিংবা য়াই। শান্নরোয় ওইরগনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল লেভেল কয়াদা য়াওদুনা ইরমদমগী মীংচৎ পুরক্তুনা মীয়ামগী থৌগল ফংবা য়াই, মমিং চৎপা মীওই অমা ওইবা য়াই, হৌরক্লিবা নহারোল কয়াবু অচুম্বা, অফবা লম্বীদা লমজিংবদা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌবা য়াই অমদি মীয়াম্না তমজনীংঙাই ওইবা মীওই অমা ওইনা হিংবসু য়াই। নেচরেল শান্নরোয় অমনা তৌবা য়াবা থৌদাং য়াম্না লৈখ্রে।

অরোইবদা, করম্না নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা য়াওগদগে হায়বদু হায়ফেৎ শক্লপ্পা থমজগে। নেসনল লেভেল য়াওনবগীদমক নেচরেলবু পামজবা ষ্টেটকী ফেদরেসেন, ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী হায়রগদি এম এ বি বি এগা খূৎশম্নুনা চৎতুনা নেসনল লেভেলদা য়াওবা য়াগনি। ইরমদম মণিপুরদা চহী খুদিংগী পাঙথোক্কদৌরিবা “Legendary Mr. Maipak and Dr. Nagangbam Meetei National Level Natural Bodybuilding and Fitness Champuonship” তা য়াওবা য়াই। ইন্টরনেসনল লেভেলগা Asia Pacific International, Brisbane International, World Cup, Mr. World, Natural Universe, Natural Olympia দা য়াওগে হায়রগদি নেসনল লেভেলদা য়ৌদুনা কেটাগোরি/গ্রুপতা টোপ ৩ তানবা হোৎনগদবনি। অসুম্না টোপ ৩ লৌরবা মতুংদা আই এন বি এ ইন্দিয়াগী মখাদা মথক্তা পনখিবা মরুওইবা ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপশিং অসিদা য়াওবা য়াগনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপশিং অসিদা নেচরেল এথলেটশিংবু শৌগৎনবা, ঙাকথোক্লুবা হায়দুনা WADA গী মখাদা চেকশিন্না দোপিং টেষ্ট পাঙথোকই। মদুদা করিগুম্বা বেন সবষ্টেন্সশিং শীজিন্নরম্বগী ফারবদি শান্নরোয় অদুগী মমিং Hall of Phame দা ইদুনা মতম চুপ্পগী ওইনা লৈগনি।

য়াম্না দিটেল ওইনা খঙবিনীংবা লৈরগনা INBA ASIA President, Dr. Ngangbam Shantikumar Meetei বু মহাক্কী e-mail id: mrworldinba@gmail.com নৎত্রগা FB account: Shantikumar Meetei Nangbam গী ইনবোক্সতা মেসেজ থাবিরকউ। Natural is the Best. DREAM BIGGER!!!

# মণিপুরগী অহানবা চীফ মিনিষ্টর

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**মণিপুরগী** ইহান হানবা চীফ মিনিষ্টর অসি F. F. Pearson নি হায়না লৌনৈ। তশেংবদি মহাকসি মণিপুর ষ্টেট দরবারগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বনি। অদুবু জুলাই ১১, ১৯৪৭তা থোকপা কাউন্সিলগী ওর্দর অমনা মহাক চীফ মিনিষ্টর ওইহনখিবনা অহানবা চীফ মিনিষ্টরনি হায়নরিবনি। ওর্দর অসিনা অসুম্না হায়, With effect from July 16th, 1947, the officer hitherto known as the President Manipur State Darbar will be known as Chief Minister, Manipur State" হায়রিবা হুকুম অসি মণিপুর ষ্টেট গেজেট নম্বর ১ ইম্ফাল য়ূমশকৈশা, জুলাই ১০, ১৯৪৭তা ফোঙখি।

F. F. Pearson না চীফ মিনিষ্টর ওইনা কুমজা ১৯৪৭কী জুলাই ৩০দা থোকখিবা হুকুম অমদা APMSD (Hill) অসি Assistant to the Minister i.c. Hill Administration হায়না খঙনগনি হায়।

F. F. Pearson না মণিপুর ষ্টেট কনষ্টিট্যুসন ১৯৪৭ শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী। ইন্টরিম কাউন্সিল অমসু লিংখৎলম্মী। মহাকপু মীয়াম্না মণিপুর কনষ্টিট্যুসন ১৯৪৭ অমসুং দি মণিপুর হিলস পিপলস রেগুলেসন ১৯৪৭ শেম্নবগীদমক নীংশিংনরি। মহাক্লা Constitution making Committee গী চ্যেরমেন অমা ওইনা কম্মিটিনা য়ারবা মণিপুর কনষ্টিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ অমসুং মণিপুর ষ্টেট হিল পিপলস (এদমিনিষ্ট্রেসন) রেগুলেসন অদুগী দ্রাফ্ট কপিশিং অদু মহারাজনা অয়াবা পীবিনবা মে ১৫, ১৯৪৭তা থাগৎখি। চিঠি অসিদা মহাক্লা অসুম্না ইরি, The draft constitution for the state for an interim period of five years and at the same time insure your Highness" attention is in particular drawn to the provisions regarding the settlement of disputed sucussion, these provisions will be of particular importance in view of the coming withdrawal of paramountcy."

মণিপুর হিল পিপলস রেগুলেসনগী মতাংদদি মহাক্লা অসুম্না হায়, Hill peoples Resolution অসি চীংগী প্রজাশিংদা লোকেল সেল্ফ গভর্ণমেন্ট শেমজনবা য়ারিমখৈ খুদোংচাবা পীবনি, তৌবতদি চীংগী এদমিনিষ্ট্রেসন অসি ষ্টেট অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন মর্জ তৌশিনবনি। তম্পাক্কী মণিপুরীশিংনা মখোয়বু এক্সপ্লোইটেসন তৌগনি হায়না চীংমীশিংনা খনবদু য়ারিমখৈ কোকহন্নবা হোৎনরবনি।

F. F. Pearson, Chief Minister না কুমজা ১৯৪৭কী জুলাই ২৮দা নোটিফিকেসন নম্বর ১ থোক্তুনা অসুম্না ইরি, ‘হিজ হায়নেস মহারাজগী ওর্দর অমনা হৌজিক লৈরিবা মিনিষ্টরশিং অসিগী থবক পুবসি ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭কী অয়ূক পুং ৮দগী লোইশিল্লগনি। অদুগা অমুক হায়রিবা মতম অমসুং তারিখ অদুদগী হিজ হায়নেসনা মখাগী ভদ্রলোকশিং অসিবু মিনিষ্টর ওইনা হাপ্লে অমসুং মখোয়না পায়গদবা ফমশিং মখাদা পীরি। মহারাজ কুমার প্রিয়াব্রত্তা সিংহ বি এ : মেজোর Pearson না চার্জ শিন্নবা নুমিৎতগী চীফ মিনিষ্টর ওইগনি। হোম দিপার্টমেন্ট, হিলস এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং কাউন্সিল ওফিস পায়গনি। মিষ্টর বশির উদ্দিন অহম্মদ বি এ : মেদিকেল অমসুং জেন অমসুং পব্লিক ৱার্ক দিপার্টমেন্ট পায়গনি। তোম্পোক সিংহ : এদ্যুকেসন পায়গনি, কৃষ্ণমোহোন সিংহ এম এ বি এল : ফাইনান্স কম্মিস্নরস অমসুং ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্ট পায়গনি। তম্পাক্তগী মিনিষ্টর অজা রেভেন্যু পায়গদবা অমসুং চীংগী মিনিষ্টর অনীগী মশীং কোন্না লাউথোক্কনি।

F. F. Pearson না 1st August, 1947তা হুকুম অমা থোক্তুনা গৌরো সিংহ বি এবু ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭, অয়ূক পুং ৮দগী রেভেন্যু দিপার্টমেন্ট পায়বা মিনিষ্টর ওইগনি হায়না লাউথোকই। লোয়নন্না তোম্পোক্লা মন্ত্রি ওইবদু য়ানীংদ্রবনিনা রাজকুমার ভুবোনস্নানা ওগষ্ট ১৩, ১৯৪৭তগী মহুৎ শিল্লে হায়। F. F. Pearson চীফ মিনিষ্টরনা Council Resolution No. 7 of 5.8.47 অসিগী মতুংইন্না ওগষ্ট ৮, ১৯৪৭তা হুকুম থোক্তুনা ফোরেন্সরস টেক্স অসি খুদক্তা মুখৎলে হায়না থোকই। মসি কাউন্সিলনা কুমজা ১৯৪৭কী জুলাই ৯দা তাখিবা কাউন্সিল রিজোলুসন নম্বর ১গী মতুং ইন্ননি।

Council Resolution No. 1 of 9.7.47 না অসুম্না ইরি : No. 575-8 (C) :- To consider Fg. M's Memo No. 36 Fg/1.11. dt. 7.7.47 asking for the abolition of foreigner's Tax from the financial year 1947-48.

The council resolve that it is non as anochronism to levy a discriminatory Tax on Foreigners who are in fact subjects of the Indian Union and the so called Foreigners Tax shall forthwith be abolished.

F. F. Pearson না কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪গী অয়ূক পুং ৮দা চীফ মিনিষ্টরগী ফম অসি পি বি সিংহদা শিন্নরল্লগা মণিপুর থাদোকখি। মহারাজদসু কায়নবগী চিঠি অমা ইরম্মী। কুমজা ১৯৩১দা গুরখা রাইফলস য়াওখি অমসুং ইন্দিয়াদা লাকখি। ইন্দিয়ন পোলিটিকেল সার্ভিসতা ত্রান্সফর তৌই। কুমজা ১৯৩৩দগী ১৯৩৪ ফাওবা ভিক্টোরি ওফ ইন্দিয়াগী side de camp ওইখি। কুমজা ১৯৪৫দা British empire গী ওর্দর ওফ মেম্বরশিপ এৱার্দ ফংখি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা মাগী মমিংদা থোনবা Pearson হায়বা খুন অমা লৈ হায়।

ইন্দিয়াদগী হল্লক্লগা, বৃটেন্দা হল্লক্লগা Lancashire দা লৈখি। মহাক ফার্মর অমা ওইবগা লোয়নন্না লোকেল সেল্ফ গভর্ণমেন্ট শেম্বদসু য়াওখি। কুমজা ১৯৫২দা Chancashere গী জষ্টিশ ওফ পিছ ওইখি। Francis Fenwick Pearson জুন ১৩, ১৯১১দা পোক্লগা ফেব্রুৱারী ১৩, ১৯৯১দা তাইবঙপান থাদোকখি।

# মীতৈগী চাকচা-য়িথক অমসুং শিংজু

-ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ-

**খুন্নাই** অমা মশা-মউ ফনা থৌনা লৈনা হিংবা হায়বসি খুন্নাইদুগী মীয়ামগী চাকচা-য়িথক্কী (চাকচা-য়ুথক হায়বা নত্তবা) মখা য়াম্না পোনবা মরম্না মীতৈ ঐখোয়গীসু হৌজিক মতমদা চৎনরিবা ফুদ হেবিট অসি নিংথিনা নৈনদুনা অফবা মায়কৈরোমদা পুনবা হোৎনদবা য়ারোই। থায়না ইপা-ইপুশিং অদুনা মতিং লৈনা পুন্সি নুংশাংনা হিংনরম্বগী ৰারী-ৰাখোঙশিংদু অমুক নৌহৌননা খোঙ্গুল লীবা অমা য়াম্না মথৌ তারকপ্রা হায়না খনজৈ। হায়বদি থায়নগী/খুন্নুংগী চাকচা-য়িথক অদুগা হৌজিক্কী ওইরিবা দাইট সিষ্টেম অসিগা ফজনা চাংদম্নদুনা অফ-ফত্তবা, মেরিট-দিমেরিটনচিংবা নিংথিনা নৈনগদবনি। মীতৈনা শেমগৎচবা চাক-এঞ্জাং মথেল ১০৮গী মনুং চল্লিবা শিংজু অসিসু য়াম্না হাওবা অমদি হকচাংদা কান্নবা মথেল অমনি হায়বসি মীরোল অসিনা নৌহৌননা নীংশিংনরক্লি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু হৌখিবা চহী ১/২ রোমদগী হৌদুনা লৈবাক্কী থাক্তা শিংজু ফেষ্টিবেলনচিংবা কয়া শিল লাংনরক্লিবা অসিনি। মনা-মশিং মখল শুনা তগৎ-তগৎ তেক্লা (হিংনা) শেম্বা মথেল অদুবু ‘হিংশু’ (লোন্থে লাকপদগী ‘শিংজু’) হায়না খঙনরম্মী হায়বসিসু য়াম্না ফজবা খন্নবা য়াবা ৰাফম ওইরক্লি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু শিংজু হায়বসি মীতৈগীদা নত্তনা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী য়াম্না মরুওইবা এঞ্জাং মথেল অমনি হায়বসিদি য়াম্না চুম্লবা ৰাফমনি। ময়াম চাকচা-হৈজানবা অমদি নুংতিগী চাকখুমদা মথেল লুকোই শেম শাবদা শিংজু শুবা নংদ্রবদি মনা-মশিংশিং অদু হিংনা মোরোক মেৎপা/কংমেৎতা নৎত্রগা ইরোনবদা কোৎলগা চানৈ। চম্ফুৎ ফুৎপা নংদ্রগনা চাকমাইদা ঙাল্লগা চাবগুম্না। অদুনা মনা-মশিং কোৎলগা চাবা অসি লম খরদদি কোৎনম হায়নসু কৌনৈ। এঞ্জাং মথেল অদু ইরোনবা ওইনা হৌরবদি শিংজু শুনদে। ইরোলবদুদা ওইনা কোৎলগা চানৈ। শিংজু শুগদৌরিবা মনা-মশিং অদু মতম মতমগী ওইবা অমদি লৈরিবা মফম মফমদুগী ওইনা ফংবা অদু ওইনা শীজিন্নৈ। মতাংসিদা মীতৈগী অরিবা চৎনবী অমা ওইরিবা ‘য়েললোন-য়েলহেন’ গী চৎন-কাঙলোনসু নীংশিংদবা য়ারোই। লফু শিংজু, য়োংচাক শিংজু, পেরুক শিংজু, থরো মরী শিংজু, হৈকক য়েল্লি শিংজু, হৈবোং শিংজু, পান অমদি হৈতুপকী শিংজু, হৈক্রু অমদি নোংমাংখাগী শিংজুনচিংবা শিংজু মখলশিং অসি শিংজুগী তাইবঙদা/কাঙলোন্দা ইতোং তোঙানবা মখল মথেলশিংনি। হেন্তাক/উতোংঙারিনা শুবা শিংজু অমদি থোইদিং, বেসোন অঙৌবনা শুবা শিংজুগী তোঙান-তোঙানবা মহাওশিং অসিনা দিল্লিগী প্রগটি মৈদান্দা মীয়ামগী পূক্লিং ফজনা চিংশিনবা ঙমখি হায়বসিনা শিংজুগী মরাইবক অসি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোয়না চৎপা ফংননবগী মঙাল/লম্বী অমা ফংবগুম তৌখি। অদুবু অসিগুম্বা থবকশিং অসি কনা কনানা তৌবীগদবনো হায়বদুমদি হৌজিক ফাওবা খঙদ্রি।

চীংমীশিংনা শুবা শা-ষণগী শিংজু, মোইরাংগী ঙাপ্রুম শিংজুনচিংবসিসু শিংজুগী তাইবঙদা নৌনা খোঙদারকপা মখলশিংনি। লমদা থাগী অমদি উমংলাই হরাউবগী শরোই খাঙবদা, অঙাং পোকপগী ঈপান থাবদা অমদি অতৈ লাই-তীলগী থৌরমশিংদা শিংজু অসি য়াম্না মরুওইবা মচল অমা ওইনা লাই হাক্তক্তগী লৈরক্লে। হায়রিবা লাইগী শিংজু অসিদা নত্তনা মীগী চাননবা শিংজুদফাওবা খ্বাইদগী মরুওইবা মচল অমা ওইরিবা ‘হৈবী মনা’ অসি মীওইবা ঐখোয়গী চাদা-নাওদানবগী হকশেল কাংলোন্দা য়াম্না মরুওইবা মচল অমনি হায়রিবা অসি হেন্না কূপ্না থিজিন-হুমজিনবা অমা মথৌ তারি। লৈকায় লৈকায়দা পাখং লৈশাবীশিং শঙ্গু-শঙ্গু শিংজু চানবা অমদি হৈ মেৎতুনা চানবা হায়বসি মতম অমদা য়াম্না চৎনরম্মী। হৌজিক্তদি ফাষ্ট ফুদ অমদি রেষ্টুরেন্টতা চৌ-চৌ, মো-মো চাবনা মহুৎ শিনখিবগী ৱানি। লৌরাং শুবদা হৈথা-পোথাদা শিংজুনা মথেল অমা ওইনবসি হৌজিকসু লোয়ালমশিংদা নিংথিনা চথনবা উরি। অখাবা, অথুম্বা, অশিনবা, অয়াকপা, অশাবা অফকপনচিংবা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা মহাওশিং অসি ফংনবা ঐখোয়না মখল মথেলগী চিঞ্জাকশিং তোঙান তোঙানবা মওংদা শেম শাদুনা চানরিবা থক্লরিবসিগী মনুংদা য়াম্না মরুওইরিবা এঞ্জাং মথেল ‘শিংজু’ অসি ঙসিগী মীরোলসিনা লুনা লৌদুনা জঙ্ক ফুদশিংদা অমদি মীরমগী চিঞ্জাকশিংদা ওইনা পূক্লিং হেন্না চঙনরক্লিবসি করিদগীনো হায়বা মরমশিং থিদোকমীন্নবা অমসু মথৌ তারক্লি। মসিদা নত্তনা লমদমসিগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্না চানরিবা এঞ্জাং মথেলশিং - ঙানম, পাকনম, বোড়া, কংঙৌ, হৈঙান, চম্ফুৎ, ইরোনবা, উতি, চগেম পোম্বা, কাংশোই, ইরোল্লগা অমুক শোক তৌবা (অলু শোক্লচিংবা), ঙারৌ, মোরোক মেৎপা, কংশু, উতোংচাক, কবোক, হৈ থোংবা, হৈ মেৎপা, ফুমলৌনচিংবা কয়াদি য়াম্না সাইন্টিফিকেল্লি থিজিন-হুমজিনবা অমসু মথৌ তারি। হিংকোন শাইরেং হায়রিবসিনা করিনো হায়বা অমসু থিজিনবা য়াই। হঙ্গাম পন্থা মোই পোইনু হায়নরিবসিনা করি তাক্লিবগে? চিঞ্জাক খুদিংমক হীদাক ওইনা উবা ঙম্লবদি য়াম্না হৈ-শিংনা নাৎপু তানা চাবা থকপগী চৎনবী অমসু শোয়দনা লাক্কনি। থিজিন্নিংঙাই য়াম্না লৈরি।

চাকচা-য়িথক হায়রম্বদগী চাকচা-য়ুথক করম্না ওনখিবনো? ঙামোক্লা করিনো, অচাপোৎনা করিনো? চাক চাবদা ফান ফমগনু হায়রিবসিগা ফান্দা ফম্বা মোইজাওবী হায়নরিবসিগা করি মরী লৈনরমগদবা মানবগে? চাবা থকপদা য়েমৌনবা হায়বসিনা মতৌ করম্না থোক্লিবনো? মরী চৎপা পোৎ চাদে হায়বা মীওই খরা লৈরিবসিনা করম তৌরিবনো? মরী চৎপা চিঞ্জাক পূম্নমক্লা নৎত্রগা মখল মরি-মঙাখক্তরা হায়বসিসু নৈননীংঙাইনি। ঐখোয়গী চৎনবীদা চেনবাক/চীং লৈবাক চাবগী অমা লৈরম্লিবা, থরোই, নাওশেক, থরাইকোকপী, কোংগ্রেং, ৱাতিন্নচিংবা চাবগী তিং-কাং চাবগী চৎনবী অসিগা দল্লিয়ু ঐচ ওনা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং অদুগা অমুক্তং চাংদম্নদুনা ঐখোয়সি করম্বা থাক্কী ফুরুপনো হায়বদু নৈনদুনা য়েংসি। চাকচা-য়াহিপ ফমফম নাইবা হায়না অহল লমনশিংনা চেকশিন্না থম্বীরল্লিবা কাঙলোন অসিনা করি করি তাক্লিবগে? চাকচা-ফিমাং নন্দবা, চজিক চনাই অমদি লুখাক্কী কাঙলোন কয়া লৈরল্লিবসিনা ঐখোয়গী করম্বা ৱাখল-লৌশিংগী থাক তাক্লিবগে? ফজনা ইরুজথোল্লগা চাকখুমদা মুগা ফনেক্লা ফিদোন চিংখৎলগা চফু উয়ান তোঙান তোঙানবগী কাংলোন খঙবা থোং থাকপা চাক চাকমায় অমদি এঞ্জাং মথেলশিংদু ফজনা চাখ্রবা মীওই অমত্তা য়েক্লবগী মখূৎতা মায়থীবা নংলোই হায়রিবসিগী ৱাহন্থোকশিং শোয়দনা লৈরমগনি হায়না থাজৈ। মোরোক মতোন ইরোনবদা লৌরক্কী ঙাক্রা হাপ্পা, চগেম পোক্কদা পাখোন হেক্তা থাকপা, উসোই অমদি হৱাই মঙ্গলগী উতি, ঙামু লৈরৌ কাংশোই, শোইজিন/শোইবুম/শোইদোনগা ঙাক্রাগা থোংবা, লফু ইরোনবদা নাওশেক, তোকনীংখোক, ফকপাই হাপ্পনচিংবা হাউর-হাউরবা মথেল লুকোই কয়া চাবা মীতৈনা নোংশাগুম্না মথৌনা লৈনা পাল্লম্বসি মরম য়াম্না চাব্রা হায়না খল্লি। লমফৈ চৎলুবা হল্লকপদা লফু থরো চানরিবা, চৈরাওবা হয়েংনি হায়বগী ঙসি নুমিদাংদা লাই থরোই থোংলগা চানরিবা, চাকচা-হৈজানবদা শগোল হৱাই থোংবনা ইহান হান্না চানরিবা অসিনচিংবা কয়াসি নৈনদুনা য়েংলবদি ঐখোয়গী চাকচা য়িথক্কী ফজ-ফজবা, অৱাংবা থাক্কী কাঙলোনশিংদু শোয়দনা উবা ফংগনি। উশিংশা, মুকথ্রুবী, ফকপাই, কাংহু, কাংহুমান, ঙাং, অৱাফদিগোম, তেক্তা, পাখোন, হৈরিবোব, চানক্রুকনচিংবা লমদমসিদা মরাং কায়না ফংলিবা ত্রেদিসনেল স্পাইসেসশিং অসিসু ফজনা রিছার্স তৌরবদি ঐখোয়গী হেলথতা অমদি ইকোনোমিদা চাউনা কান্নবা পীবগী ওইথোকপসু লৈতবা নত্তে।